

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 28, 2019 **PAGE 7**




*চংলিবা চহী অসিদা পার্ফোমেন্স য়াম্না ফজখিবদগী এল পি জি এ টুর প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী সাউথ কোরিয়াগী গোল্ফর কো জিন য়ং*

*ৱার্ল্ড বোক্সিং সুপর সেরিজগী ফাইনেল বাওটতা রেজিস প্রোগ্রেসপু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখ্রবা জোস টেলর*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০ ঃ* চেন্নাইন এফ সি অমদি মুম্বাই সিটি এফ সি গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



*চেন্নাই, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০ সিজনগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফ সি অমদি মুম্বাই সিটি এফ সি গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি।

মেটচ অসিগী ১০শুবা মিনট চঙশিল্লকপদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা ফাওল কয়া শান্নরকপদগী রেফরিনা মেটচ অসি মরক্তা অনীরক লেপহনখ্রবা মতুং চেন্নাইন এফ সিদা ফ্রি কিক অমা পীখি।

ফ্রি কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই রাফেল ক্রিভেলারো য়ার্দ ২৫ লাপ্পা মফমদগী কাওশিনখিবদা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

মখা তানা শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথন্নদুনা লাকখিবদগী গোল চনশিনবা ঙম্বা খুদোংচাবা ফংবা ঙম্মখিদে। মেটচকী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা গোল মাঙজিল থানবা হোৎনরকখি। অদুবু মুম্বাই সিটি এফ সিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা লৈখিবদগী গোল চনবগী খুদোংচাবা ফংদনা লাকখি।

চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মায়োক্লবা হোৎনবদা মুম্বাই সিটি এফ সিগী শান্নরোই ৪ দা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ পীখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদবদগী চেন্নাইন এফ সি অমদি মুম্বাই সিটিনা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অসি গোল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী টিম অনীমক পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। মেটচ অসিগী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৪শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোই সাউভিক চক্রবতি মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০ সিজন অসিদা নোথ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা মেটচ অনী শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাকপা অমদি মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। মুম্বাইনা পোইন্ট মান্নরবসু অনীশুবদা লৈরি অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা এফ সি গোৱা অমদি বেঙ্গালুরু এফ সি শান্নরগনি।

## সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ং অমদি চাইনাগী চেন লোংনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে





*পেরিস, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা য়ু এস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ং অমদি চাইনাগী চেন লোংনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংনা মহাক্কী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিনা মমাঙদা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু ২১–১৬, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদগী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই য়ংনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা পীরকপদগী অনীশুবা গেম অদু অন সে য়ংনা য়াম্না নক্লবা পোইন্ট ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেমদা নহা ওইরিবী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা রিও ওলিম্পিক্স চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–৫ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অসি গেম ২–১ দা মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংনা ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা চাইনাগী চেন লোংনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অসি য়াম্না নক্লবা স্কোর ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম শান্নরকপদা চাইনাগী শান্নরোই চেন লোংনা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু য়াম্না লায়না ২১–১২ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র প্রভিন জোরদান অমদি মেলাটি দেভা ওক্টাভিয়ান্টিনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লবা মতুং ২২–২৪, ২১–১৬, ২১–১২ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## সবালেনকানা দব্লিয়ু টি এ ইলাইট ট্রোফিগী টাইটল লৌখ্রে, ফেদরর স্বিজ ইন্দোরগী ফাইনেল চঙখ্রে



*ঝুহাই, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা চথরকখিবা দব্লিয়ু টি এ ইলাইট ট্রোফিগী ফাইনেলদা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে, স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা চথরকখিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১৪ দা লৈরিবা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা মশাগী চহী ২১ শুরবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারিবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা অনীশুবা সেটতা হেন্না ফজনা শান্নরক্তুনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–২ দা মায় পাক্তুনা সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ঙসি ঝুহাইদা লৌখিবা টাইটল অসি থারগা মহাক্কী কেরিয়রগী ৫শুবা টাইটল ওইবা ঙম্লি অদুগা চহী অসিগী ওইনা মহাক্কী অহুম্লকশুবা সিঙ্গলস টাইটলনি।

সবালেনকানা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সকা পেয়র ওইদুনা হন্দক্তা চাইনাগী অতোপ্পা সিটি সেংঝেংদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকী দবলস টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

স্বিটজরলেন্দগী সিটি বাসেলনা চথরিবা স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু লৈবাক স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদররনা সেমি ফাইনেল মেটচতা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরগা লম্বা তৌনরগনি।

মশাগী চহী ৩৮শুরবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদরর স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১৫রক শরুক য়ারকপদা ১৩রক ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৩ গী ইদিসনদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই জুৱান মার্টিন দেল পোট্রোগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবা অসি নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২রক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী রেল্লি ওপেল্কাবু সেট অহুম চঙনা য়াম্না কন্না লম্বা মায়োক্লরবা মতুং ৭–৬(৭–২), ৬–৭(৪–৭), ৭–৬ (৭–৩) দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## ৱার্নরগী সেঞ্চুরিনা ওষ্ট্রেলিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীখ্রে


*এদিলেদ, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি এদিলেদ ওভেলদা শান্নখিবা টি–২০ মেটচতা দেবিদ ৱার্নরগী অমত্তা ঙাইরবা সেঞ্চুরিনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু রন ১৩৪ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা বেটসমেন অনীখক আওট ওইরগা রন ২৩৩ লৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা বেট্টিং অদু য়াম্না ফজরকখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১৫০ লাম্থোকপা ঙমখি।

টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা ওপনর আরোন ফিন্সসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ৬৪ লৌরমখি। অহুমশুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেলসু রন ৬২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অসিদা ওপনর ওইখিবা দেবিদ ৱার্নরনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫৬ তা আওট ওইদনা রন ১০০ লৌবা ঙমখি।

শ্রী লঙ্কানা মায় পাক্লবগী রন ২৩৪ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ২০ দা বেটসমেন ৯ আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ৯৯ খক লৌখিবদগী মেটচ অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৩৪ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। শ্রী লঙ্কাগী বেট্টিংদা ৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা দি সানাকানা রন ১৭ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা চেলসিনা বর্নলিবু ৪–২ দা থোইখ্রে মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টোন ভিল্লাবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*লন্দন, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা চেলসিনা বর্নলিবু ৪–২ দা থোইখ্রে, মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টোন ভিল্লাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চেলসি অমদি বর্নলিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী চেলসিগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চথদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ২১শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান পুলিসিকনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা বর্নলিগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা চেলসিগী মায়কৈদা এটেক চথদুনা কন্না হোৎনখি অদুবু চেলসিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি।

বর্নলিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা খৃষ্টিয়ান পুলিসিকনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান পুলিসিকনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক গোল ওইবগা লোয়নননা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

চেলসিনা অহুমশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অসিনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ৱিলিয়াননা গোল অমগা চনশিন্দুনা বর্নলিগী শান্নরোইশিংবু খূৎ হনবা ঙম্নোইদবা মওংদা থমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৬শুবা মিনটতা বর্নলিগী শান্নরোই জয় রোদ্রিগ্বেজনা গোল অমা হন্দোকপা হৌখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট অমা ৱাংলিঙৈদা বর্নলিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দ্বিট মেকনিয়েলনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি চেলসিনা ৪–২ দা মায় পাকখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টোন ভিল্লাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি এষ্টোন ভিল্লানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অহানবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই রাহিম ষ্টরলিংনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কেভিন দি ব্রুইননা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অতোপ্পা শান্নরোই ইলকে গুন্দোগাননা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি চেলসিনা গোল ৩–০ দা মায় পাকখি।

## অলকাসর বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী ট্রেনিংদা অমুক হল্লকখ্রে

*বর্লিন, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ* স্পেনগী ষ্ট্রাইকর পাকো অলকাসর জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী ট্রেনিংদা অমুক হল্লকখ্রে।

স্পেন মচা পাকো অলকাসর খুবোম শোক্তুনা থা অমরোম মশান্না অসিদগী লাপথোক্তুনা লৈরুরবা মতুং ঙসিদগী পাঙথোকখিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী ট্রেনিং সেসনদা অমুক নৌনা হল্লক্তুনা মখা তানা ট্রেনিংদা শরুক য়াবা হৌখ্রে।

পনবা য়াই, জর্মনিগী মরুওইবা ফুটবোল ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা পাকো মমাঙদসু অশোকপা য়াওবদগী মতম খরা পোত্থাদুনা লৈরুরবনি।

চথরিবা বুন্দেসলীগাগী সিজন অসিদা পাকো অলকাসরনা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী মেটচ ৬ শান্নবদা গোল ৫ চনবা ঙমখ্রে। অলকাসরনা অরোইবা ওইনা লুসিয়েন ব্রেমেনগা শান্নখিবা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক গোল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

পাকো অলকাসর বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী হৌজিক চথরিবা ট্রেনিং সেসন অসিদা মখা তানা শরুক য়াবা ঙমখ্রবসু টিম অসিদা শান্নগদবা মতমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেপ্পা লৈত্রি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ক্রোসৱার্দ ৩২০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | E | R | ■ | H | A | S | H | ■ | S | P | A | R | E |
| R | A | V | E | ■ | E | L | L | A | ■ | O | R | G | A | N |
| U | S | E | S | ■ | S | P | A | R | ■ | N | E | R | V | E |
| T | E | N | T | A | T | I | V | E | ■ | ■ | T | E | E | M |
| ■ | ■ | ■ | A | L | O | N | E | ■ | S | T | E | E | L | Y |
| S | A | L | T | I | N | E | ■ | T | W | I | N | ■ | ■ | ■ |
| I | S | E | E | ■ | ■ | ■ | W | E | I | R | D | E | S | T |
| D | I | N | ■ | A | R | R | A | N | G | E | ■ | L | E | E |
| E | A | T | E | R | I | E | S | ■ | ■ | ■ | P | L | A | N |
| ■ | ■ | ■ | L | E | N | D | ■ | P | A | T | I | E | N | T |
| R | E | R | E | A | D | ■ | M | A | N | I | A | ■ | ■ | ■ |
| E | R | I | C | ■ | ■ | C | O | N | T | E | N | D | E | D |
| R | A | N | T | S | ■ | O | V | A | L | ■ | I | O | W | A |
| A | S | S | E | T | ■ | L | I | M | E | ■ | S | L | E | W |
| N | E | E | D | Y | ■ | T | E | A | R | ■ | T | E | R | N |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Konthoujam, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No.882/SDC/IW(K) /2019

1. Phurailatpam Dinachandra Sharma S/o (L) Ibohanbi Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai
2. -Do- Romi Devi W/o (L) Robindro Sharma of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Phurailatpam Sanaojba Sharma S/o (L) Leiri Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

The 26/10/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Phurailatpam Sanaojba Sharma পীং মৃঃ Leiri Sharma সাং Sagolband Nepra Menjor Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 81- Moidangpok গী অনৌবা পাট্টা নং 284 দাগ নং 2183/2326 অমসুং এরিয়ানা .54+.44 acre চাওবা Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে । মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইখ্থোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিং লবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/5470(2)/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Konthoujam, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No.883/SDC/IW(K) /2019

1. Phurailatpam Dinachandra Sharma S/o (L) Ibohanbi Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai
2. -Do- Lokendro Sharma S/o (L) Brajabidhu Sharma of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Phurailatpam Brajabidhu Sharma S/o Chaoba Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

The 26/10/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Phurailatpam Brajabidhu Sharma পীং মৃঃ Chaoba Sharma সাং Sagolband Nepra Menjor Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 81- Moidangpok গী অনৌবা পাট্টা নং 281 দাগ নং 2183/2267 অমসুং এরিয়ানা .90+2.94 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে । মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইখ্থোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিং লবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/5470(3)/28